# অনৌবা পোজিটিভ কেস ৪ থেংনরে, এক্টিভ কেস ২০ শুরে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচএনএস) : ঙরাং ফাওবদা অনৌবা কোভিদ-১৯গী পোজিটভ কেস ৬ থেংনবদগী মণিপুরগী ওইনা অপূনবা এক্টিভ কেসকী মশীং ১৮ লৈখিবা অদুদগী হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরকপা পেসেন্ট ৪ নাবা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখ্রবসু হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেস ৬ থেংনবদগী অপূনবা এক্টিভ কেসকী মশীং ১৮ শুখিবগী মথক্তা ঙসিগী ওইনসু অনৌবা পোজিটিভ কেস ৪ থেংনরগা মীওই ২ খক্তমক নাবা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌবদগী এক্টিভ কেসকী মশীং ২০ শুরে হায়রি।

ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট ১০গী সেম্পলশিংদা বিষ্ণুপুর ৫, চান্দেল ৪, চুড়াচান্দপুর ৬, ইম্ফাল ইষ্ট ১০, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১৮, কাংপোকপী১, নোনে ১, সেনাপতি ১, থৌবাল ২ অমসুং উখ্রুলদগী সেম্পল ২৯গা লোয়নননা অপূনবা মীওই ৭৭গী সেম্পলশিং টেষ্ট তৌখিবদা পোজিটিভ কেস ৪ থেংনরে হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা থেংনখিবা পোজিটিভ কেস ৪ অদু জেনিমসতা ১ থেংনরগা কেস ৩না তোঙান তোঙানবা টেষ্টিং সেন্টরশিংদা থেংনবনি হায়রি। অদুবু মখোয়গী মনুংদা নুপা ২, নুপী ২নি। অদুগা অমনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী ওইরগা ৩না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগীনি হায়রি। অদুম ওইনমক মখোয়গীদমক লৌখৎফম থোকপা মেদিকেলগী মাঙজৌনবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ট্রেসিংনচিংবগী থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

মসিগা ইরোয়নন্না ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিগী রিপোর্ট মতুংইন্না লায়না অসিনা মরম ওইরদুনা মীওই অমত্তগী পুন্সি মাঙখিদবনা হান্নদগী লৈরকপা অপূনবা লৈখিদবা মীওইশিংগী মশীং ২১২০ অদুদগী হেনগৎলকপা লৈত্রি।

অদুবু হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা কেস মশীংনা ১,৩৭,২৭০ শুরে। মসিগী মনুংদা মীচম মীয়ামগী মশীংনা ১,৩২,২৫৬নি। অদুগা মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৫,০১৪নি। অপূনবা ফগৎলকখ্রবশিংগী মশীংনা ১,৩৫,১৩০নি। মসিগী মনুংদা মীচম মীয়ামগী মশীংনা ১,৩০,১২৩ ওইরগা মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৫,০০৭নি। রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৪৪দা লৈরি।

অমরোমদা, লায়না অসিবু মায়োক্নবা লেপ্তুনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না ঙরাং ফাওবদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটি শিংদা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী অপূনবা মশীংনা দি টাইপ ১০৩, বি টাইপ ৭নি হায়রি। অদুবু এক্টিভ কেসশিং হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈবগা লোয়নননা নুমিৎ খুদিংগী থেংনবা পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং য়াম্না নেম্না হন্থরুবদগী জেনিমস অমসুং রিমসতা কোভিদ পেসেন্টশিংগীদমক অখন্নবা খাক্তুনা থল্লক্লিবা ফমুংশিং মথংশিংনা ১০০ অমসুং ৪৭ ওইরম্মদু জেনিমসকীদি নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী ফমুং ১৪দা হন্থহনখ্রগা রিমসকীদি ফমুং ৪৭ অদুমক খাক্তুনা থল্লি হায়রি। অদুবু এক্টিভ কেসকী মশীং ১৮ শুরক্লবসু হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈনখিবনা ঙসি ফাওবদা খাক্তুনা থল্লক্লিবা কোভিদ পেসেন্টশিংগী ফমুংশিং অদুমক হাঙদুনা লৈরি হায়রি।

অদুগা ঙরাং খক্তদা মীওই ২১২২ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা পূন্না হীদাক কাপথোকখ্রবা মীওইশিংগী মশীং ২৯,৬১,২২৮ শুরে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১৫,৯২,৪৭৪নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১২,৫৭,৯৯২নি। অদুগা প্রিকোস্নরি দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,১০,৭৬২নি হায়রি।

ঙরাং জুন ২৯, ২০২২ ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা লৈখিবা হীদাক কাপথোক্লবা অপূনবা মীশিংগী চাংনা বিষ্ণুপুর - অহানবা দোজ ৭৩.৯০, অনীশুবা দোজ ৬১.১৭, চান্দেল অহানবা দোজ ৭৬.২৫, অনীশুবা দোজ ৬৯.৯৯, চুড়াচান্দপুর অহানবা দোজ ৬৩.৪৯, অনীশুবা দোজ ৬০.৭৩, ইম্ফাল ইষ্ট অহানবা দোজ ৭৬.১৯, অনীশুবা দোজ ৬৪.৯২, ইম্ফাল ৱেষ্ট অহানবা দোজ ৭৭.৭৯, অনীশুবা দোজ ৬৮.০৩, সেনাপতি অহানবা দোজ ৩৬.০৪, অনীশুবা দোজ ৩১.২৫, তমেংলোং অহানবা দোজ ৪৪.৩৬, অনীশুবা দোজ ৩৫.৬২, থৌবাল অহানবা দোজ ৬২.৩০ অনীশুবা দোজ ৫৩.১৪, উখ্রুল অহানবা দোজ ৪২.১৬, অনীশুবা দোজ ৩০.৯৯, তেংনৌপল অহানবা দোজ ৪৯.৪৭, অনীশুবা দোজ ৩৮.০৫, কাংপোকপী অহানবা দোজ ২২.৭৯, অনীশুবা দোজ ১৭.৪৯, কামজোং অহানবা দোজ ৩৮.৫৮, অনীশুবা দোজ ৩০.৭৬, জিরিবাম অহানবা দোজ ৭৩.১৬, অনীশুবা দোজ ৬১.৬৮, ফেরজোল অহানবা দোজ ৩৬.৭৪, অনীশুবা দোজ ৩৯.৪৪, নোনে অহানবা দোজ ৪৩.৫৫, অনীশুবা দোজ ৩৪.৭৯, ককচীং অহানবা দোজ ৭৮.৩২, অনীশুবা দোজ ৬৭.৬৯নি হায়রি। অদুগা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপথোকখিবা মীওইশিংগী চাংনা চাদা ৬১.৯৭নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোক্লবশিংগী চাংনা চাদা ৫৩.১৬নি হায়রি। লোয়নননা কোভিদ কন্ট্রোল রুমগী টোল ফ্রী ফোন নম্বরনা ১৮০০-৩৪৫৩-৮১৮নি হায়রি।

# ওর্গান ট্রান্সপ্লান্ট তৌবগী মহুত্তা ষ্টেম সেল ট্রান্সপ্লান্ট তৌবা য়াই ঃ ডা. অমুবা

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচএনএস) : ষ্টেম সেলস হায়বসি তোঙান তোঙানবা মওংগী সেল মখল অমা ওইবগা লোয়নননা মসিদগী লিভর ওনবা ঙম্বা, কিদনি সেল নৎত্রগা স্প্রিং সেল ওনবা ঙম্বা সেল মখল অমনি হায়না শিজ একাদেমি ওফ হেল্থ সাইন্সেসগী দিরেক্টর ডা. এম অমুবনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি অহানবা ওইনা একাদেমি অসিগী বাইও কেমিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা 'করেন্ট ট্রেন্দস ওন ষ্টেম সেলস এন্দ রিজেনরেটিভ মেদিসিন ওন কন্তিন্যুয়িং মেদিকেল এদ্যুকেসন' হায়বা থৌরম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়নননা দিরেক্টরনা মখা তানা হায়, মসিগী কান্নবা অসিনা ঐখোয়গী ওর্গান ট্রান্সপ্লান্ট তৌবগী মহুত্তা ষ্টেম সেল ট্রান্সপ্লান্ট তৌবা য়াই। মসিবু ষ্টেম সেল থেরাপি রিজেনরেটিভ মেদিসিন কৌই। থবক অসি ওর্গানগী মহুত্তা সেল ওইনা পীবনি। সেল খরা পীরগা লিভর অদু অমুক রিজেনরেট তৌবনি। লিভরগী মতাংদদি ঐখোয়না ওর্গান ফংদবা য়াই অদুগা কিদনিসু ফংদবা য়াই হায়খি।

অদুম ওইনমক সেলদি ফংই। মীওইবগী হকচাংদা হাপচিল্লগা অদুমক সেল ওইরকপনি অদুগা কান্নহনবনি। পেসেন্টশিংনা ওর্গান ফংদবা মতমদা ষ্টেম সেল পীরগদি মদুগী অৱাৎপা মেনশিনবা ঙম্মী। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ১১দা মসিগীদমক রিসর্স এন্দ ট্রাইএল কন্না চত্থরি। মণিপুরদসু মসিবু হাংদোক্লবা অহানবা ওইনা সী এম ঈ তৌরবা মতুংদা মীয়ামদা এৱ্যের্নেস পীরগা অমসুং ডাক্তর ময়ামদা খঙহল্লবা মতুংদা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু ইন্দিয়া লৈঙাক্কা তান্নরগা থবক ওইনা পায়খৎনবা হোৎনবনি হায়খি।

কান্নবা অসিদি ওর্গান ট্রান্সপ্লান্ট হায়বসি মতাং চানা তৌহৌদ্রবদি লিভর অমসুং স্প্রিং ফংদ্রবদি অতোপ্পা পাম্বে লৈতে। মরম অদুনা ষ্টেম সেল অদুদি অদুম ফংগনি। মসিদি লৌথোক্লগা থম্বসু য়াই। অদুগা অমুক হন্না লৌরগা শীজিন্নবসু য়াই হায়খি। থবক অসিদা মতম খরদি চঙবা য়াই অদুবু শীজিন্নবদা মায়দি পাক্লে হায়খি।

অৱাং নোংপোক ষ্টেটতদি হৌজিক ফাওবদা মসিগী থবক অমত্তা চত্থনদ্রি অদুবু দেল্লি, মধ্য প্রদেশ অমদি মদ্রাজ দা খরা লৈরে। থবক অসিবু য়াম্না চাওখৎপা মওংদা চত্থরিবনা যু এস এনি হায়রদুনা মখোয়দি ষ্টেম সেলগী মতাংদা দিভেলপ ফজনা তৌরে। মরম অসিনা ওর্গান ট্রান্সপ্লান্ট তৌবদগীদি ষ্টেম সেল শিন্দোকপনা শেল য়াম্না চঙহন্দে হায়খি।

# 'কংলৈ নাৎতা থাঙ-তাগী মফম' ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচএনএস) : মণিপুর যুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. অহৈবম রিসিকেসনা ইরগা নেসনল রিসর্স সেন্টর, কাঞ্চিপুরনা পব্লিশ তৌবা 'কংলৈ নাৎতা থাঙ-তাগী মফম' কৌবা লাইরিক অমা অমসুং সেন্টর অসিনা থা ৩/৩গী পুথোকপা জর্নেল 'ওরিএন্ট ভিজন' (ভোল্যুম-১৬, ইস্যু-৩) এম যুগী মেন গেটকা মায়োক্না লৈবা নাওরেম সনাজাওবা পব্লিক লাইব্রেরিগী হোলদা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

লাইরিক অসিবু সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. ধনবির লাইশ্রমনা মশক তাকখি। থৌরম অসিদা সেন্টর অসিগী প্রসিদেন্ট নাওরেম জিবিট মীতৈনা থৌরম মপু, অপূনবা মণিপুর হুইয়েন লানলোং লূপকী প্রসিদেন্ট ও মঙলেম মীতৈনা মীথুংলেন অমসুং মণিপুর যুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ভি সী প্রোফেসর পি গুনিন্দ্রো অমদি ধনমঞ্জুরি যুনিভর্সিটিগী ভি সী প্রোফেসর এন রাজমোহোননা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

# শৈরেং-ৱারেং পাথোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচএনএস) : ইম্ফালগী ইরাবট ভবন কমপ্লেক্সতা লৈবা প্রোগ্রেসিভ রাইটরস এসোসিএসন, মণিপুরনা শীন্দুনা শৈরেং অমসুং ৱারেং পাথোকপগী 'করি হায়রি করি তন্নি' হায়বগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর হিন্দি পরিষদকী হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী নাওরিয়া জেদ পিগী অধক্ষ্য আর কে তরুনিনা হায়, ঙসিগী শৈরেং শৈদিন্নবা অমদি ৱারী মচা পাথোকপগী থৌরমসি য়াম্না মরু ওই। মরমদি অইবগী লম্দা মশাগী পীথোকচরক্লবা অইবা-অইবীশিংগী ৱাখল্লোন ফোঙদোরক্লিবশিংসি তারগা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। মসিনা অৱা অনা কয়াবু ঙাইহাক্তং ওইরবসু কাউহল্লি। হৌগৎলক্লিবা কয়াগী অৱা নুংঙাইগী পুন্সি শেমদোক্লবা মিংশেল অমনি। অইবা-অইবীশিংনা খুন্নাই শেম্বদা থৌদাং লৌবীরকপনি। মখোয়বু ইকায়খুম্নবগা লোয়নননা মখোঙ শেম্বীবা চঙই হায়খি।

থৌরম অসিদা এসোসিএসনগী এদভাইজর লাঙ্গোল ইবোয়াইমনা থৌরমগী মীথুং অমসুং এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিরমলা রাজকুমারিনা থৌরম মপু ওইখি।

নুংথিলগী অনীশুবা সেসনদা এম যুগী এসোসিএট প্রোফেসর ডা. কে শান্তিবলানা ৱাতেমলোই ওইখি। ৱারীমচাদা হাওবম সৈত্যবতি, ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনি অমসুং মুতুম রমনিনা পাথোকখি।

# আর কে সনাতোম্বা লৈখিদবগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচএনএস) : 'কংলা লানপুঙ' চেফোঙগী এদিটর ওইরম্বা পাথৌ কোনুং সনাতোম্বা হায়রগসু হেন্না খঙনখিবা আর কে সনাতোম্বা লৈখিদবগী নীংশিং থৌরম ঙসি পাঙথোকখিবগা লোয়নননা মহাক্কী মমিংদা পীবা আর কে সনাতোম্বা মেমোরিএল জর্নেলিষ্ট এৱার্দ, ২০২২ লান্থোকখ্রে। লোয়নননা থৌরমগী মনুং চন্না 'কংলা লানপুঙ' ভোল্যুম-১৪সু ফোঙদোকখ্রে।

থৌরমগী ফম্বাক্তা ইমাশি মঙ্গি শীজ অমসুং ইপু এ ব্রজকুমারনা ফমখি। অদুগা ইপু ডা. ননাওচা (সাইন্টিষ্ট-আই বি এস টি) ইম্ফালনা 'বাইও-ইকোনোমি ফ্রোম বাই-রিসোর্সেস ৱিথ রিফরেন্স টু মণিপুর' হায়বা হীরমদা ৱা ঙাঙখি।

ইপু এ ব্রজকুমারনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরদা লৈরিবা পাউমীশিং অমদি জর্নেলিষ্টশিংনা লমদমসিগী মীয়ামগী ফীভমশিং খঙমিন্নবা চঙই। মীতৈ পাঙল য়াওনা চীংমী তম্মীশিংগী মীশিংগী চাংসু খঙগদবনি। মপান্দগী লাকপা নন মণিপুরীশিংনা কয়া য়াম্বনো হায়বসি থিদোক্তুনা খঙদোকপা চঙই। অসিগুম্বা কয়াসি থিদোক্তুনা খরা পূক্লিং চঙদুনা স্কোলর অমসুং পাউমীশিংনা পুথোকপীরগদি অকিবা ফাওরিবশিং অসিদা ময়েক শেংহনবা ঙমগনি হায়খি।

থৌরমগা মরী লৈননা আর কে সনাতোম্বা মেমোরিএল জর্নেলিষ্ট এৱার্দ, ২০০২না শেল ওইনা লুপা লিশীং ২৫গা লোয়নননা সর্টিফিকেট অমা, ইম্ফালদা অয়ূক্তা নুংতিগী ফোঙবা ইংলিস পাউচে 'ইম্ফাল ফ্রী প্রেস' কী ফুরাইলাৎপম কেনিদা খূৎশিন্নখি।

# শৈরেংবগী মনা...

*লামায় ১গী মখা...* চহীসিগী শক্লাইরবা শৈশকপা ললাম্বুং ইমোদনা শৈশকপগী মনা পীবগা লোয়নননা শৈপানবগী মনানা কোংবা নোংথোম্বম লৈকায়দগী চীংঙাখম ধনেশ্বরদা পীরগনি হায়রি।

শেল, শকখঙচে, ইনফি অমদি মমেন্তো য়াওবা এৱার্দ অসি সালগী ওগষ্ট ২৩দা পাঙথোক্কদবা ১২শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা লান্থোক্কনি হায়রি। নুমিৎ অসিদা দোনেশ্বর কোন্সমগী ঈশৈ ময়েক্কী লাইরিক শৈথারোল ১৩শুবসু ফোঙদোক্কনি হায়রি।

# লৈখিদবদা লুপা ...

*লামায় ১গী মখা...* শরুক য়ারি হায়খি।

থৌদোক থোকফম অমসুং অকোয়বগী খুঞ্জাশিংনসু চীফ মিনিষ্টরনা হকথেংননা ৱারী শানখিবগা লোয়নননা থৌদোক অসিদা খুদোংথীবা মায়োক্নরবা মীওইশিংদা তেংবাঙবীরম্বা অমসুং মী কনবগী থবক চত্থবীরম্বগীদমক্তসু তৌবীমল খঙবা উৎখি।

চীফ মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুদা রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা, হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চ্যেরমেন দি গাংমৈ, চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেসকুমার, লৈঙাক্কী এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরিশিং, পুলিস অমসুং আর্মিগী সিনিয়র ওফিসরশিংসু লোয়নখি।

# একনাথ সিনধে...

*লামায় ১গী মখা...* মরক্তা মরু ওইবা পার্টিগী লিদর অমসু ওইরিবা দেবেন্দ্র ফর্নাভিসপুনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখি।

পনবা য়াবদি, মহাক মমাঙথক্তা মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর অনীরক ওইখ্রবা বি জে পিগী লুচিংবনি।

ঙসি মখোয় অনীনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক্কী ৱাশক লৌখিবগা লোয়নননা অথুবা মতমদা সিব সেনাগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরবা একনাথ সিনধেগী গ্রুপ্তা য়াওবা পার্টি অসিগী এম এল এশিং অমসুং বি জে পিগী এম এল এশিংগী মরক্তগী খনগৎলগা অনৌবা লৈঙাক্তা হাপচিন্দুনা চাওথোকহল্লগনি হায়রি।

# থমচেৎ চারুবা...

*লামায় ১গী মখা...* পোৎ লৈবা মতমদা মনম নম্বা অমসুং মহৌশাগী ওইবা পোৎতগী খজিক্তং খেন্নবা থেংনরবদি মেদিকেল দাইরেক্টোরেটতা সেম্পল পীবিয়ু হায়খি।

ঙসিগী থৌদোক অসিবু মায়োক্লিবা মপা মচানা চাখিবা থমচেৎ অদুগী সেম্পল টেষ্ট তৌদুনা মতৌ করম্না থোকহল্লকপনো হায়বদু থিজিল্লগনি হায়খি। অদুম ওইনক মপা মচাগী ফীভম খুদোংথিনীংঙাই ওইদে হায়রি।

# এন আই এদা ট্রান্সফর তৌনবা বিষ্ণুপুরগী ...

*লামায় ১গী মখা...* তৌনরকখিবা ৱাফমশিং তারবা মতুংদা পীখিবা ওর্দর অমদা ফোঙদোকখিবনি।

পুলিস কষ্টদি রিমান্দগী মতম লোইরদুনা মখোয় অনীবু ঙসি স্পেসল কোর্ট (এন আই এ), বিষ্ণুপুরগী জজ ৱাইখোম তোনেন মৈতৈগী কোর্টতা পুথোরকখি। কোর্ট অসিগী স্পেসল পি পিগী মায়কৈদগী মখোয় অনীবু জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ পীবিনবা সবমিসন তৌখি। অদুগা মখোয় অনীগী মায়কৈদা লেপখিবী কাউন্সেলগী মায়কৈদগীনা মখোয় অনীবু যু জি ওর্গনাইজেসন অমগী এক্টিভ মেম্বরনি হায়বা চার্জশিং তৌশিন্দুনা মখোয়গী মথক্তা অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টকী সেক্সন ২গী প্রোভিজনশিং চার্জ তৌশিনবা মরম চাদে হায়খি। লোয়নননা মখোয় অনীবু বেল পীবীনবা হায়জখি।

কোর্টনা নাকল অনীগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা মখোয় অনীগী মথক্তা লৌখৎপা কেসকী দাইরি অমসুং এস পি বিষ্ণুপুরগী মায়কৈদগী দি জি পিদা কেস অসিমক এন আই এদা ট্রান্সফর তৌনবগী হায়জখিবা লৈরিবনা মখোয় অনীগী বেল প্রেয়র অদু খন্নবগী মহুত্তা মখোয় অনীবু জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখি।

লোয়নননা কেস অসিগী আই ওদা এস পি বিষ্ণুপুরগী মায়কৈদগী দি জি পিদা থা অসিগী ২৪দা ইখিবা চেরোল অদুগী মতাংদা করি লৈবগে হায়বদু মথং থাগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা খঙহল্লক্নবা দিরেক্সন পীখি। অদুগা মখোয় অনীনা ফাইল তৌরকখিবা বেল প্রেয়রশিং অদু মথং থাগী ১৪দা রেগুলর বেল এপ্লিকেসন ওইনা লৌখৎতুনা খন্নরগনি হায়খি।

# ইম্ফাল ইষ্ট ১সুং...

*লামায় ১গী মখা...* গোদাউনশিং অসি হৌখিবা চহী ২০২০-২০২১গী আর কে ভি ৱাইগী শেন্থং মখাদা লুপা লাখ ৮০ চঙনা শাবনি। লোয়নননা লোয়শঙগী মায়কৈদগী ক্রোপ ইন্সুরেন্স ৱিক কেম্পেন্যনা হয়েং লোয়শঙ অসিগী দিরেক্টরগী ওফিস চেম্বরদা দিষ্ট্রিক্ট এক্সটেন্সন ওফিসর পুন্নমক্না শরুক য়াদুনা হৌদোক্লগনি হায়খি।

ঙসিগী ফর্টিলাইজর গোদাউনশিং শঙ্গাবগী থৌরমদা এম এল এ, কে ঐচ ইবোমচা, লৌউ-শিংউ লোয়শঙগী দিরেক্টর এন গোজেন্দ্রো, ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসর এল দোঙেল অমসুং মহাক্কী ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি।

# জেলদা থাজিনখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* ইম্ফাল ৱেষ্টনা মথং থাগী ১৪ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে।

কোর্টনা ঙসি জেলদা থাজিনখ্রবা মীওইশিং অদুদি উরিপোক অচোম লৈকায়দগী থোইদিংজম মনোরঞ্জন (২৬) অপোকপা টি ঐচ অরুনকুমার, লৈকায়সিদগী থোইদিংজম হর্শ (২২) অপোকপা টি ঐচ বোবি, থোইদিংজম চিত্তরঞ্জন (২৬) অপোকপা টি ঐচ অরুনকুমার অমসুং উরিপোক পোলেম লৈকায়দগী বোলিস হিজম (৩০) অপোকপা হিজম রনবিরনি হায়রি। মখোয় মরিগী মথক্তা নাগামপাল ফৌগৈশংবম লৈকায়দগী য়ুন্নাম সুধির (৪৮) অপোকপা ৱাইপিশক কৌবা মীওই অমনা থা অসীগ ২৮গী নুমিদাংদা ফাইল তৌরকখিবা রিপোর্ট অমদা মীওই ৪ অসিনা যু থকচিল্লগা চহী নৌরিবা নুপামচা ৩দা ফু চৈবা চত্থখি। নুপামচাশিং অসিনা বাস্কেটবোল শান্নবা লোইরবা মতুংদা সাইকল অমবু মীওই মরি অসিনা হুরানবা থেংনরুবদগী মখোয় মরিনা অঙাং ৩ অসিবু ফু চৈবগী থবক চত্থরমখিবনি। মখোয়না ফুবদা অঙাংশিং শোক্তুনা লায়েংখি হায়বগা লোয়নননা অঙাং ফুরম্বা মীওই ৪গী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীনবা হায়জরকখিবনি।

কমপ্লেন্ট অসিগী মতুংইন্না ইম্ফাল পি এসনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়নননা মীওই মরি অসি থৌদোক থোকখিবা নুমিৎতুমক্কী নুমিদাংদা ফাগৎখিবগা লোয়নননা মথংগী নুমিৎতা কোর্টতা পুথোক্লগা ঙসি ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌরকখিবনি।

# মণিপুরগী খ্বাইদগী তমথীরবা লেন্দস্লাইদতা মীওই ৮১ ...

*লামায় ১গী মখা...* মায়োক্লবনা হায়ৱে অসিদা মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌদনবসু খঙহনখি। অদুগা থোক্লিবা খুদোংথীবা থৌদোক অসিদা মায়োক্নদুনা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী মতেং মথৌ তারকপশিংনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি অমসুং হাওচোং সব দিভিজনগী এস দি ওদা মী থিবা অমসুং কনবগীদমক পাউ পীবিরকপা য়াগনি হায়দুনা ওফিসল অনীসিগী ফোন নম্বরশিং মীয়ামদা লাউথোকখি।

রিলিফ মেটিরিএলগীনা দি আর দি এগী এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়রদা কন্টেক্ট তৌরক্লবা খঙহনবগা লোয়নননা লায়েংবগা মরী লৈনবা থবকশিংগীনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সী এম ওদা কন্টেক্ট তৌরক্লবা মখোয়গী টেলিফোন নম্বরশিংসু পীখিবগা লোয়নননা খঙহৌদনা থোরকপা থৌদোক অসিগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংগীদমক এস দি ও হাওচোংগী ওফিসতা কন্ট্রোল রুম অমসু হাংদোকখি।

নাকল অমরোমদা লেন্দস্লাইদ অসিনা মরম ওইদুনা লৈনুংদা ফূমজিনবদগী মীওই ৮ অশিবা হকচাং ওইনা ফংখ্রবসু শোক্লবা মীওইশিংদি সী এম ও, নোনেগী মীৎয়েং মখাদা মনাক নকপা লায়েংশঙশিংদা পুদুনা লায়কন্নখি অদুগা ফীভম হেন্না লুরবা অশোকপশিংবুনা হেলিকোপ্টর শীজিন্নদুনা হেন্না ফবা লায়েংশঙশিংদা পুখি।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবগা চীফ মিনিষ্টরনা অথুবা মীফম অমা পাঙথোক্লম্লবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরনা খঙহল্লকপগী মতুংইন্না থৌদোক থোকফমদা চঙশিন্দুনা য়েংশিনখি। কিন্থরক্লিবা চীংগী লৈবাকশিং অদু হোম্বনা মরম ওইরদুনা মেছিন্নরিশিং পুশিন্দুনা ইজৈ তুরেলবু দামগী ফীভমদা থিংজিন্দুনা থল্লকখিবা অদু কোৎথোক্লবা হোৎনবদা খুদোং চাদবদগী রেলৱেগী ষ্টাফশিং অমসুং খুঞ্জাশিং য়াওনা মফম অদুদা লাকখিবা মীওইশিংনা মতেং পাংশিন্দুনা মেছিন্নরি শীজিন্নদুনা লৈবাকশিং অদু কোৎথোক্তুনা ইজৈ তুরেলগী ঈচেল মহৌশাগুম চেলহন্নবা হোৎনখি।

লাইবক থীবা থৌদোক অসিগী মতাংদা মায়কৈ কয়াদগী থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোক্লরকখিবগা লোয়নননা সী পি আই (এম) মণিপুর ষ্টেট কম্মিটি, পাওনা কৈথেল (নম্বুল মপাল) গী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ূম শান্তনা থোরকপা চেরোল অমনসু অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিদা খুদোংথীবা মায়োক্লরবা মীওইশিংগীদমক অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পার্টি অসিগী ওফিসতা পাঙথোক্তুনা মিনট ২ তূমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি হায়রি।

মীফম অদুদা মণিপুর লৈঙাক অমসুং যুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা লৈখিদ্রবা অমসুং অশোক অপন মায়োক্লরবা টেরিটোরিএল আর্মিগী পর্সনেলশিং য়াওনা অতৈ মীওইশিংগী ইমুং মনুংগী মীওই অমমম চান্নবা লৈঙাক্কী থবক পীবিনবসু ফোঙদোকখি।

লৈখিদ্রবা মীওই ৮ অদুদি মিলন তমাং, সেরিং লেপচা, দিৱনকর থাপা, শঙ্কর ছেত্রি, বেঞ্জামিন রাই, এম দি জৈরুল হক, মার্কস গুরুং অমসুং গোপাল ফুকন কৌই হায়রি। অদুগা ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা মফম খঙদ্রিবা অপূনবা মীওই ৫৫গী মনুংদা ইন্দিয়ন রেলৱেগী পর্সনেল ৩, বি আই পি এলগী ৩ য়াওবগা লোয়নননা অয়াম্বা মীওইশিংদি টেরিটোরিএল আর্মিগী ওফিসর, জুনিয়র কম্মিসন ওফিসরশিং অমসুং জৱানশিংনি হায়রি।

থৌদোক অসিদা খুদোংথীবা মায়োক্লরবশিংবু তেংবাঙনবা অমসুং মফম খঙদ্রিবা মীওইশিংগী খোঙ্গুল লীবগী থবক্তা মতেং পাংলুনবগীদমক ইম্ফালদগী মণিপুর মাওন্টেনিয়ারিং এন্দ ট্রেকিং এসোসিএসন (এম এম টি এ) গী মীওই ৯না শাবা টিম অমসু চঙশিনখ্রে। ঙসি নুমিদাং মখোয় ৯ মক মফম অসিদা থুংখিবগা লোয়নননা মফম খঙদ্রিবা মীওইশিংগী খোঙ্গুল লীবগী থবক্তা হকথেংননা শরুক য়ারগনি হায়রি।

এম এম টি এগী টিম অসিবু লুচিংখিবা লিদর খুরাই থোইদিংজম লৈকায়দগী ঙাংবম প্রোবিত্রোগা পাউচে অসিগা টেলিফোনদা ঙসি নুমিদাং পুং ৯ লোম তারকপদা শানখিবা ৱারীদা মতমসি ফাওবদদি নুংথিল ফাওবদা লৈখিবা অশিবা মীওইশিংগী মশীং, থেংনহৌবদগী লায়কন্নরিবশিং অমসুং মফম খঙদ্রি হায়রিবা মীওইশিংগী মশীংদগী অহেংবা লৈখিদ্রি। নুমিদাংগী মতম ওইবনা থৌদোক থোকফমদা চঙশিল্লুদ্রি হায়বগা লোয়নননা থৌদোক অসিগী মতাংদা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর য়াওনা মী কনবা অমসুং লায়েংবগী থবক চত্থগদৌরিবা ষ্টেকহোল্ডর পুন্নমক্কী ওইবা মীফম অমসু পাঙথোক্নবা থৌরাং তৌরি হায়রকখি।

# কৈবুল লমজাওগী মীয়াম হৌরক্তুনা নেসনল...

*লামায় ১গী মখা...* কৈবুলগী মীয়াম থবক শুফম নোমফম লৈত্রে হায়খি।

হন্দক্তা চীফ মিনিষ্টরনা কৈবুল লমজাওদা ইথনিক ইকো টুরিজম পার্ক শাবা হৌরে হায়রগা মসিগী ওন্ন তৈনবদা অতোপ্পা মফম অমা ওইরিবা মোইরাং খুনৌদা শাবা হৌনবা হোৎনরিবা অসি কৈবুলগী মীয়াম্না য়ানীংদে। মরম অদুনা মীয়ামগী অৱাবসি চীফ মিনিষ্টরনা উবীদুনা কৈবুলদা ইথনিক ইকো টুরিজম পার্ক শাবীয়ু হায়দুনা পূক্লিং চিংশিনখি।

কৈবুলদগী নিংথৌজম বসন্ত কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা ইথনিক ইকো টুরিজম পার্ক অসি কৈবুল লমজাওদা শাগনি হায়বগী থাজবা ঙসিমক পীরক্তুবদি কৈবুলদা লৈরিবা ফোরেষ্ট ওফিস অমদি সঙাই ঙসি অহিং মথোং মরম খঙদনা মাঙখিবা য়াবগী অকিবা লৈরেহায়খি।

মীয়ামগী ইহুল খঙনা লৈঙাক্না থবক পাঙথোকপীয়ু। চহী কয়াগী মমাঙদগী সঙাইবু ঙাক শেন্দুনা লাক্লিবা কৈবুল মীয়ামগী অৱাবসি খঙবীয়ু। মরম অদুনা কৈবুলদা ইথনিক ইকো টুরিজম পার্ক শাবীয়ু হায়খি।

মীয়ামগী মীফম অদুদা ফোঙদোক্লরক্লিবা ৱাফমশিং অসিগা মরী লৈনবা ৱারেপশিং লৌরবা মতুং কৈবুল লমজাও নেসনল পার্কক্কী গেটতা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওই পুন্নমক লাক্তুনা পার্ক অসিগী মনুংদা লৈরম্বা টুরিষ্ট অমদি ফোরেষ্ট গার্দশিং তাম্থোক্লবা মতুংদা পার্ক অসিগী গেট ছো লোনশিনখি। লোয়নননা মীয়াম অদুনা পেন্দবগী খোল্লাউ কয়াসু লাউখি।

অদুম ওইনমক খোইশাওনরবা মীয়াম অদু হন্নখ্রবা মতুংদা মখোয়না লোনশিল্লম্বা পার্ক অসিগী গেটকী ছো অদু ফোরেষ্ট লোয়শঙগী ওফিসল খরনা অমুক থুগাইদুনা গেট হাংলে হায়বগী পাউ তাবদা মীয়াম অদু অমুক হৌরক্তুনা নেসনল পার্কক্কী গেট ছো লোনশিন্নবা অমুক্কসু হোৎনরকখি। নাকল অনীগী মরক্তা মুক্লরকপা অদুগী মতাংদা লৈখায় তান্নবা ঙল্লক্তবদগী মীয়াম অদুনা কৈবুল লমজাও নেসনল পার্কক্কী গেট ছো লোনগে হায়বা য়াদ্রবনিনা পার্ক অসিগী চঙফম ওইরিবা লম্বী তৌখায়রগনি হায়দুনা তৌখাইবা হৌরকখি। লম্বী পরিংদা উ-ৱা পৈশিন্দুনা মৈ থাবা হৌরকখি।

থৌদোক অদুগী পাউ তাবদগী মোইরাং পুলিসকী এস দি পি ওনা লুচিংবা পুলিস পর্সনেলশিং লাক্তুনা মীয়াম অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরকপদা নাকল অনীগী মরক্তা চাউনা মুক্লখি। অদুম ওইনমক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনেল এস পি (ওপস) রোনি ময়েংবমনা অহেনবা পুলিস পর্সনেলশিংগা লোয়নননা মফম অদুদা লাক্তুনা মীয়াম অদুবু লাকশিনখি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা পুলিস অমদি মীয়ামগী মীহুৎশিং য়াওনা নেসনল পার্কক্কী ওফিসলশিংগা ৱারী শানরবা মতুংদা মীয়ামগী অপাম্বা ৱাফমশিং অদু মরী লৈনবা ওফিসলশিং অমসুং চীফ মিনিষ্টরদা হায়রগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

ঙসিগী মীফম অদু সঙাই প্রোটেক্সন এন্দ কঞ্জার্ভেসন কম্মিটি, কৈবুল লমজাও চীংমৈ অমদি চান্দপুরনা শীন্দুনা কৈবুল মখা লৈকায় ফৌওইবী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবনি।

# এম এল এ অব্দুল নাসিরগী অপুনবা লন থুমগী...

*লামায় ১গী মখা...* ইনভেষ্ট তৌই হায়রি। লোয়নননা মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদা য়েস বেঙ্ক লিমিটেদ ২১০ শ্যেরদা লুপা ৩০,৮৮০; ইক্যুটি সরিসবনধন বেঙ্ক ৩০০ শ্যেরদা লুপা ৮৮,৩০৪; ইক্যুটি শ্যেরস ইন ফ্যুচর রিটেল লিমিটেদতা ৮৮৩ শ্যেরদা লুপা ৬৪,০০৫ অমদি ইক্যুটি শ্যের ইন ইরকোন ইন্টরনেসনলদা ৩০০ শ্যের ওইনা লুপা ৩০,৪১১ লোম ইনভেষ্টমেন্ট তৌখি। মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদা মেক্স লাইফ ইন্সরেন্স পোলিসিদা প্রেমিয় এমাউন্ট ওইনা লুপা ২,০৪,৫০০; আই সী আই সী আই প্রু কেস এদভান্টেজ পোলিসিদা প্রেমিয়ম এমাউন্ট ওইনা লুপা ১,০২,২৫০; আই সী আই সী আই প্রুদেন্সিএল পোলিসিদা প্রেমিয়ম এমাউন্ট ওইনা লুপা ৫,০০,০০০ অমদি আই সী আই সী আই প্রুদেন্সিএল পোলিসিদা প্রেমিয়ম এমাউন্ট ওইনা লুপা ২,৫০,০০০ ইনভেষ্ট তৌই হায়বগী রিপোর্ট য়াওরি।

মহাক্কী মীংদা গাড়ি অমত্তা লৈখিবগী রিপোর্ট য়াওদে। তৌবতবু মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদা কুমজা ২০১৩দা চাওরাক্লা লুপা ১৪,০০,০০০ লোম ওইগদবা টাটা সাফারি ষ্টোর্ম অমা; কুমজা ২০১৭তা চাওরাক্লা লুপা ১৬,৬১,৬২২ লোম ওইগদবা টাটা হেক্সা অমা অমদি কুমজা ২০১৮দা চাওরাক্লা লুপা ১২,৮৪,৫৫৪ হ্যুন্দাই ভর্না অমা লৈখি হায়রি। মহাক্কী মীংদা চাওরাক্লা লুপা ২,৪৬,৮৭০ লোম ওইগদবা সনা গ্রাম ১০০ লৈ অদুগা মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদা চাওরাক্লা লুপা ২,২২,৭৭৫ রোম ওইগদবা সনা গ্রাম ৯০ লৈ হায়রি। এম এল এ, এম দি অব্দুল নাসিরগী অপুনবা লন থুমগী শেনফম অসি লুপা ১৫,০৯,৬৯৭ ওইখি। লোয়নননা মহাক্কী লোয়নবীগী অপুনবা লন থুমগী শেনফমনা লুপা ৯০,৩৬,৩৩১ ওইখি।

মহাক্কী মীংদা এগ্রিকলচরেল লেন্দ ওইনা চাওবোক, তাউথবিদা একর ০.৯১৮৭; একর ১.১৫৬২ অমদি একর ০.৭৮৮৭ লৈ। লোয়নননা নন-এগ্রিকলচরেল লেন্দা মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদা লাইফম সিফাইদা স্কৱার ফিট ১৩৯৯৩.০৮৪ লোম পাকচাওবা লম লৈ। কর্মসিএল বিল্ডিংসকী ওইনদি মখোয় অনীগী মীংদা অমত্তা লৈতে। মহাক্কী টোটেল ওফ করেন্ট মার্কেট ভেল্যু অসি লুপা ৪৮,৪০,৩৩০ ওইরি। লোয়নবীগীনা লুপা ৩৩,০৪,৯০০ ওইরি। মহাক্কী গ্রান্দ টোটেল ওফ লাইবিলিটিজ অসিনা লুপা ১০,৮৩,৫০০ ওই অদুগা মহাক্কী লোয়নবীগীনা লুপা ৩৬,৪৯,১৫১ ওই হায়রি। মহাক্কী মীংদা পেন্দিং ক্রিমিনেল কেস অমত্তা লৈতে। কুমজা ২০২০-২১গী লাষ্ট ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইলগী রিপোর্টকী মতুংইন্না মহাক্কী টোটেল ইনকম অসি লুপা ৬০,৪৫,৮১০ ওইখি। মহাক্কী লোয়নবীগীসু চহি অসিমক্তদা টোটেল ইনকম অসি লুপা ১২,৫৮,৩৩০ ওইখি হায়না এফিদভিটকী চেরোল অদুদা ময়েক শেংনা পল্লি।

## অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৫.০৪°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.৬৭°C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৭.৭৫
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.২৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৮

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 82.146521 |
| US Dollar | 79.044450 |
| British Pound | 95.794442 |
| Australian Dollar | 54.467076 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.801427 |
| Japanese Yen | 0.580830 |
| Malaysian Ringgit | 17.934116 |
| Singapore Dollar | 56.731928 |
| South Korean Won | 0.060819 |
| Saudi Arabian Riyal | 21.078520 |
| Thai Baht | 2.234660 |

## GAS NEWS

**KHORIPHABA NAMBOL**
**BK.UPTO DATE**
Timing 6.30am to 10 am
Cont.no 8787632782, 6009194940
**TDK GAS**
**BK. UPTO 28/04/22.**
VF.27/04/22.
**STK.306.**
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NOS. 8731992324.
TIMING 9:00 AM TO 3:00 PM.
**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING upto-19-05-2022,**
VALID FROM 05-05-2022,
**STOCK : 918**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACTNOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.

MAIPAKPI MATERNITY AND CHILD HOSPITAL
Center for Infertility, Mother and Child Care.
NORTH A.O.C, IMPHAL WEST, MANIPUR.
MC-4109

WANTED

MMCH/AD-39/HR/2019: Interested candidates are requested to submit resume at HR department or send us through email: maipakpi30@gmail.com on or before 5th July, 2022.

| Sl. No. | Post | No. of Post | Qualification | Desirable | Interview |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Staff Nurse (NICU) | 3 | GNM/ B.Sc. Nursing. | Having at least 2 years experience in NICU. | Shortlisted candidates will be called for interview |

Timing: 10:00 am to 4:00 pm
Sd/-HR Manager, MMCH

HL-P/3208/01